# বোইংনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা মখোয়গী সেন্টরদা অহেনবা ইন্দিয়ান ইঞ্জিনিয়ার ১,৫০০ হাপচিল্লগনি



***বেঙ্গলুরু, জুন ১৬ ঃ***

মালেমগী ওইনা এরোস্পেসকী অচৌবা কম্পনি বোইংনা ইরাই নুমিত্তা বেঙ্গলুরুদা লৈবা মখোয়গী ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজি সেন্টর পাকথোক-চাউথোকহনখ্রে অমসুং দিজেটেল ইনোভেসন শীজিন্নবা হেনগৎনবা মখোয়না অমুক্কা হেন্না ইন্দিয়ান ইঞ্জিনিয়ার ১,৫০০ হেন্না থবক শীজিন্নরগনি হায়খ্রে।

বোইংগী ইন্দিয়াগা ব্রাঞ্চ ওইনা লৈরিবা অসিনা বেঙ্গলুরুদা থোকপা স্টেটমেন্টদা হায়খি, অনৌবা সেন্টর অসিনা ইন্দিয়াদা মখোয়গী তারিবা খোঙ্গুল শরুক অনী হেনগৎহল্লে। মসিনা ঐখোয়গী ইমপ্লোইয়িশিং অনৌবা টেক্নোলোজিশিংদা থবক তৌবা ঙমহল্লগনি অমসুং ইন্দিয়াদগী এরোস্পেস ইনোভেসন অসি মালেমদা শন্দোক্লগনি।

কম্পেনি অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মখোয়গী বোইং ইন্দিয়া ইঞ্জিনিয়ার এন্দ টেক্নোলোজি সেন্টরদা লৈরিবা ইমপ্লোইয়ি মশীং আই টি, ইঞ্জিনিয়াররিং এন্দ রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকী অখন্নবা ফিল্ডশিংদা হান্না ইঞ্জিনিয়ার ১,০০০ লৈরম্বদগী মথং চহী খরগী মনুংদা ২,৫০০ দা হেনগৎহন্নবা অহেনবা ইঞ্জিনিয়ার ইমপ্লোইয়ি ১,৫০০ হাপচিন্নবা থৌরাং তৌরে।

অনৌবা ফেসিলিটি অসিদা দিজাইন, মেনুফেকচরিং অমসুং সার্ভিসশিংগী সোফ্টৱ্যর টেক্নোলোজিশিং লৈগনি অমসুং মসি এরোস্পেস, ইঞ্জিনিয়াররিং অমসুং রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকী থবকশিং হেনগৎহল্লগনি হায়না স্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ঐখোয়না ইন্দিয়াবু মালেমনা ইন্দিয়ান প্লেনশিং দিজাইন তৌরিবা, ওপরেট তৌরিবা অমসুং মেনেজ তৌরিবা মওং অদু অনৌবা হোংদোকহনবা ঙমগদবা মখলগী পূমনৌ নৌবা সোফ্টৱ্যর সোলুসনশিংগী য়ক লাওবা মফম অমনি হায়না লৌই। লৈবাক অসিগী আই টি তেলেন্ট অমসুং কেপাবিলিটিসশিং অসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ঐখোয়গী মায় পাক্লবগী মচাক অমা ওইগনি হায়না বোইংগী চীফ ইনফোর্মেসন ওফিসার টেদ কোলবর্টনা হায়খি।

কম্পেনি অসিনা ভোকেস্নেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিং, ইন্দস্ত্রিয়েল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং মসিগী লোকেল পার্টনরশিংগা খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়ান এভিয়েসন সেক্টরদা হৈ–শিংবগী থাক হেনগৎহনবা হোৎনরি।

অনৌবা সেন্টর অসিনা ইন্দিয়াগী মীয়ামবু অহোংবা ইনোভেসন অসি খোঙজং য়াঙহন্নবা অমসুং থবক তৌনিংনবা ইথিল পী হায়না বোইং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রত্যুশ কুমারনা স্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

# ইন্দিয়ানা খূৎ হন্দুনা য়ু এস কী পোখোক ৩০ দা তারিফ লৌরগনি

***ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ ঃ***

য়ুনাইটেদ স্টেটতগী ইমপোর্ট তৌরকপা পোখোক ৩০ গী মথক্তা হান্না কন্সেসনশিং পীরম্বা অদু তোক্লবা ইন্দিয়ানা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইঞ্জিন কেপাসিটি ৮০০ সি সি হেনবা মোতোরসাইকলশিংদা লৌবা কষ্টমস দ্যুটি চাদা ৫০ দা হেনগৎলগনি। অলমোন্ডতা চাদা ২০, ৱালনটতা চাদা ২০ অমসুং এপ্পলদা চাদা ২৫ হেনগৎলগনি। ইন্দিয়াগী স্টিল অমসুং এলুমিনিয়মগী এক্সপোর্টশিংদা হেন্না ৱাংবা দ্যুটিশিং লৌনবা ৱাসিংটনগী খোঙথাং অদুগী খূৎ হনবা ওইনা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি।

ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ টি ও) দা ইবা চিঠি অমদা ইন্দিয়ানা হায়খি, কন্সেসনশিং ককথৎলিবা অদু য়ুনাইটেদ স্টেটনা লৌখৎলক্লিবা থবক অদুনা শোকহনবা ললোন ঈতিক্কী চাং অদুগা মান্নবনি। এলুমিনিয়ম অমসুং স্টিলগী পোৎলম কয়াদা য়ুনাইটেদ স্টেট ওফ অমেরিকানা লৌখৎলকখিবা সেফগার্দকী থৌরাংশিং অদুগা মরী লৈননা নোটিফিকেস অসি তৌবনি হায়না ইন্দিয়ানা হায়খি।


য়ু এস কী মথক্তা নৌনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী খুত্থাংদা ইন্দিয়ানা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ২৩৮.০৯ রোমগী দ্যুটি ফংগনি।

চহীসিগী মার্চ থাদা য়ু এস না স্টিলগী পোখোক কয়ামরুমদা চাদা ২৫ গী দ্যুটি অদুগা এলুমিনিয়মগী পোখোকশিংদা চাদা ১০ দ্যুটি লৌরকখিবনি। মদুনা য়ু এস পু দোলর মিলিয়ন ২৪১ গী দ্যুটি ফংবা ঙমহনখিবনি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাগী ওফিসিয়েল রেসিদিয়েন্সতা বি জে পি অমসুং আর এস এস লুচিংবশিংগী চাক্লেন অমা শীনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুমিদাং মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদিয়েন্সতা বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহ অমসুং সংঘগী এক্সিক্যুটিভ হেদ সুরেজ ভাইয়াজি জোসি য়াওনা বি জে পি অমসুং আর এস এস কী মরু ওইবা থৌ পুবশিংগীদমক ফজরবা চাক্লেন অমা শীনখ্রে।



নুমিৎ হুম্নিগী উন্নবা অদুগীদমক হরিয়ানাগী সুরজকুন্দদা বি জে পি অমসুং আর এস এস কী মরু ওইবা থৌ পুবা ৬০ রোম পুনখি। থৌরম অদুদা লৈবাকসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা থবকশিংগী মরমদা, মতুংদা পায়খৎকদবা থবক্কী লাল্লোং য়াৎনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা সেক্লোন ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা হেন্না তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন–নৈনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিজিনা ঙসি নুমিদাং চাক্লেন অমগীদমক ঐখোয় পূন্নমকপু বার্ত্তন তৌরকখি হায়না মশক মমিং হায়দোক্তনা মফম অদুদা শরুক য়ারিবা মকোক থোংবা থৌ পুবা অমনা হায়খি।

ঙরাংদগী হৌখিবা সুরজকুন্দদা মীফম অসিদা সংঘদগী হৌরকখিবা বি জে পি গী ওর্গনাইজেস্নেল সেক্রেটরী পূন্নমক, আর এস এস জেনরেল সেক্রেটরী জোসি অমসুং মসিগী জেনরেল সেক্রেটরী অনী দত্তট্রেয়া হোসাবলে অমসুং কৃষ্ণ গোপালসু শরুক য়ারি।

সংঘ অমসুং বি জে পি গী অপুনবা মীফম অসি চহীগী ওইনা পাঙথোরকপা থৌরম অমনি অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদি পার্টি অমসুং মসিগী আইদিওলোজিকেল মেন্টর অনীগী মরক্তা হেন্না ফবা অমসুং অচেৎপা তেংবাংনবগী মরী য়াৎনবগী শীংথানিংঙাই ওইবা মীফম অমা ওইগদৌরি। মসি মরু ওইনা স্টেট কয়াদা এসেমব্লি মীখলশিং তৌগদৌরিবা লোয়ননা মথংগী চহীদা লোক সভা মীখলসু পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগসু হেন্না মরু ওইবা মীফম অমা ওইরি।

বি জে পি গী স্টেট খুদিংমক্কী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী অমমম লৈ। মখোয়না মখোয়গী রিজন অদুদা মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবকশিংগী মরমদা অকূপ্পা ৱারোলশিং পীগদবনি। মীফম অসি বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহ য়াওরবা য়াই। এক্টিভ পোলিটিক্সতা খোঙদারক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মতম য়াম্না শাংনা আর এস এস প্রচারক অমা ওইরকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী রেসিদিয়েন্স সংঘ লুচিংবশিংবু অসুম্না বার্ত্তন তৌদুনা চাক্লেন তোয়না শিল্লি।

# কাশ্মীরদা ইদ নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিস ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা গ্রেনেদ পোকখাইবদা মীওই ১ শিখ্রে

***শ্রীনগর, জুন ১৬ ঃ***

কাশ্মীর তম্পাক্তা ইদ ফেষ্টিভেলগী হরাও–তয়াম্বগী ফিভম থুগাইরদুনা প্রোটেষ্টরশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। থৌদোক অমদা গ্রেনেদ অমা পোকখাইবদা মীওই অমা শিখ্রে।

খা কাশ্মীরগী আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী ব্রাকপোরা খুলদা ইদকী লাইশোল থৌরম মতূংদা খূৎ থোক্নরকপদগী গ্রেনেদ পোকখাইবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুগী মতাংদা অহানবা থিজিনবদা সেরজ অহমদ কৌবা মীওই অদু হেন্দ গ্রেনেদ অমা পোকখাইরকপগী মচেৎনা পানবদা শিখিবনি হায়না খঙখি।

মীওই অদুগী য়েৎ থংবা মখূৎ য়াম্না শাথিনা শোকখি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা এজেন্সিদা হায়খি।

শ্রীনগরগী সাফাকদাল এরিয়াদা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। মফম অদুদা ইদকী লাইশোনগীদমক য়াম্লবা মীয়াম অমা পুনখিবনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। মসিদসু নত্তনা অৱাং কাশ্মীরগী সোপোরে অমসুং কুপৱারাদসু প্রোটেষ্টরশিংগা লো এনফোর্স এজেন্সিশিংগগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। অদুবু তম্পাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংগী ফিভমদি হৌজিক ফাওবদা শান্তি ওইরি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং অদুদা প্রোটেষ্টর ১২ হেন্না শোকখি। হৌখিবা পূং ২৪ গী মনুংদা সেরাজ অহমদ শিখিবা অসিনা কাশ্মীরদা অনীশুবা মীচম শিবনি। ঙরাং পুলৱামাদা খূৎ থোক্নরকপা অমসুং নূঙনা থানরকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদা নহা অমা শিখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা আর্মিনা ফোঙদোকপদা মখোয়গী এরিয়া দোমিনেসন পেট্রোলদা মীওই খূৎপু অমনা নূঙনা থাজিল্লকপদগী মখোয়নসু নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্পা তাখিবনি হায়খি।

সেরাজ অহমদ শিখিবা অদুগী মতাংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুল্লানা হায়খি, হৌজিক কাশ্মীর অসি য়াম্না অমম্বা অমগী মতাইদা লৈরে। তৌরিবা অসি ইদকী নুমিৎ অসিদা ঈ–নাই তানবগী ফিভম অমা ওইরে। লাইশোল তৌগদবা নুমিৎ অমসুং হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্কদবা নুমিৎ অসি হেন্না ঈ তান্নবা অমসুং অৱা–অনানা মকশিনহল্লে হায়না ওমর অব্দুল্লানা ট্যুটরদা হায়খি।

শুপ্নগী নুমিৎ নীনিগী মমাঙদসু রাইজিং কাশ্মীরগী এদিটর সুজাট বুখারিবু মহাক্না নুমিৎতুগী নুমিদাংৱাইরমদা মহাক্কী ওফিসতগী থোরকপদা মাগী পার্সোনেল সেক্যুরিটি ওফিসার অনীগা লোয়ননা শ্রীনগর ময়োলমক্তদা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। নুমিৎসিমক্তদা কলামপোরাদা আর্মিগী লান্মী ঔরঙ্গজেবনা ইদকীদমক রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা লাকপগী লম্বীদা কিদনেপ তৌখি। মহাক্কী হকচাং অদু কালমপোরাদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্পদা নুমিদাং অদুমক্তদা ফংখি।

# পি এম গী ৱাশক নীংশিংহন্নবা মীওই অমনা মোদিবু উননবা কিলোমিটর ১,৩৫০ মখোঙনা লাকখ্রে

***আগ্রা, জুন ১৬ ঃ***

চহী কয়াগী মমাঙদা উরিষ্যাগী খুঙ্গং অমগী মীয়ামদা নরেন্দ্র মোদিনা শকখিবা ৱাশক অমা নীংশিংহন্নবা উরিষ্যাগী রৌরকেল্লাদা লাইথীবি শাবা মুক্তিকান্তা বিস্বালনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু উন্ননবা মখোঙনা কিলোমিটর ১,৩৫০ লাকখ্রে।

রৌরকেলাদা লৈবা ইস্পাট জেনরেল হোস্পিটালদা হেন্না ফগৎপা ফেসিলিটিজশিং লৈহন্নবা নরেন্দ্র মোদিনা ৱাশকখিবনি। অদুবু ফিভম অদু হৌজিক ফাওবা চপ মান্ননা লৈরে। অনা–লায়েংগী নীংথিজনা তৌদবদগী খুঞ্জাশিংনা নুমিৎ খুদিংগী মীশি মীনা নংলে হায়না মশাগী চহী ৩০ শুরবা বিস্বালনা হায়খি। মরম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু মহাক্কী ৱাশক অদু নীংশিংহন্নবা মহাক্না দিল্লিদা চৎপগী ৱারেপ লৌখিবনি। এপ্রিল থাদা মাগী খোঙচৎ অদু হৌখি। অদুবু খোঙনা কিলোমিটর ১,৩৫০ লাকপদা হায়ৱে অমদা মহাক ৱাছখি অমসুং আগ্রাদা লৈবা হেস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

মহাক্না হকচাংগী ফিভম অমুক ফগৎলকপগা প্রাইম মিনিষ্টরবু মহাক্না উন্নদ্রি ফাওবা মহাক্কী খোঙচৎ অসি মখা তাখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জাতিগী ফিরাল অদুনা মশাগী চহী ৩০ শুরবা মুক্তিকান্তা বিস্বালবু ঈথিল পীখিবনি। মরম অদুনা খোঙচৎ অসিদা মহাক্না ফিরাল অদু পুরক্লি। কুমজা ২০১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খুঙ্গং অদুগী অনা–লায়েং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনগনি ৱাশকখিবনি।

# আরব এলায়েন্সনা য়েমেনগী হোদৈদাহ এয়ারপোর্ট লৌশিনগদবা খজিক্তা ঙায়রে ঃ *য়েমেন মিলিটরি*

***ওদেন, জুন ১৬ ঃ***

আরব এলায়েন্স অমগী ফোর্সশিংনা ঙসি থাংজ নুমিত্তা য়েমেনগী মরু ওইবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাহদা লৈবা এয়ারপোর্ট অদুদা চঙশিনবা হৌখ্রে হায়না কোলিসন্না শৌগৎপা য়েমেন মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।



আরব এলায়েন্সকী খুমাঙ চাওশিনবা অসিনা ইরানগা খূৎশম্নবা হৌথি মুভমেন্টকী মায়োক্তা হেন্না খুদোংচাবা অমা পীরগনি। সাউদি আরাবিয়ানা লুচিংবা এলায়েন্স অদুগীদমক য়াম্না কন্না ঙাকথোক্তুনা লৈরিবা সিটি অমগী মরু ওইবা শরুক অমা খুদুম চন্নবা অহানবা হোৎনবদা মায় পাক্লবদি মদুনা চহী অহুম হেল্লবা লাল অসিদা হৌথিশিং অদুবু মশা কঞ্জনবা ওইনা হোৎনদুনা লৈহল্লগনি। হোদৈদহ হায়রিবা অসি গ্রুপ অদুগী অমখক্তা ঙাইরবা রেদ সি দা লৈবা হিথাংফমনি।

য়েমেনদা য়ু এন স্পিসিয়েল এনভোই ওইবা মার্টিন গ্রিফিটসনা ঙসি থাংজ নুমিত্তা হৌথিনা পায়দুনা লৈখ্রবা কোনুং সানাদা থুংলখি। রিভেলশিংগী এটেক অদু ঙাকথোক্নবা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা সোলুসন অমা পুরকপা ঙমখিদ্রবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হৌজিক খূৎ থোক্নরিবা অসিনা চরা হেনবগী খুদোংথিবা মায়োক্নরবা য়েমেনি মিলিয়ন কয়াগীদমক অমত্তা ঙাইরবা হিংনফম লম্বী অদু ককথৎখ্রগনি হায়না অকিবা পোক্লি।

য়ু এন এনভোই অদুনা হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। মহাক্না লেপ্তনা চথরক্লিবা লান্দাবা অসিগী কোভর অমা পীরি হায়না হৌথিগী ৱাঙাংলোই মহম্মদ অব্দুল সলামনা মখোয়গী ওইবা মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী মরু ওইবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাহগী লানফম অসি হৌজিক ফাওবদা কনফ্লিক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইরি। কনফ্লিক অসি সাউদি আরাবিয়া অমসুং ইরানগগী মরক্তা থেংনবা রিজনেল প্রোক্সি ৱার অমগী শরুকনি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়ার দিলদগী খোঙফম হন্দোকখিবা অমসুং নুক্লিয়ার স্টেট নোর্থ কোরিয়ারোমদা মায় ওনশিনখিবা অদুনা ইরানবু নাইতোম তাবা হেনগৎহনখি। লোয়ননা য়েমেন অমসুং অতৈ আরব স্টেটশিংদা লৈবা মখোয়গী ইন্টরেষ্টশিং ঙাক্তুনা থম্নবা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মথক্তা অহেনবা শাফু ফংহল্লি।

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস ফোর্স, তোঙান তোঙানবা ফেক্সনশিংদগী লৌখৎলকপা সুদানিস অমসুং য়েমেনিসনা শাবা গ্রাউন্দ ট্রুপশিংনা হোদৈদাহগী মরু ওইবা এয়ারপোর্ট কম্পাউন্দ অদু কোয়শিনখ্রে। অদুবু মখোয়না মদু হৌজিক ফাওবদি পায়শিনদ্রি হায়না য়েমেনি মিলিটরি লীখুন অমনা অমসুং খুঞ্জাশিংনা হায়খি।

হোদৈদাহগী লানফম অসিনা মীওই মিলিয়ন কয়াবু চরা হেনলহনবা য়াই। য়েমেনগী মীওই মিলিয়ন ২২ রোম মপান্দগী পীরকপা তেংবাংনা হিংনরিবনি। হৌজিক মীওই মিলিয়ন ৮.৪ চরা হেনবগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না য়ু এন না ৱার্নিং তৌখ্রে।

আরব এলায়েন্সকী ফাইটর প্লেনশিং য়াওনা হেল্লো ফবা খূৎশু খূৎলাই লৈ। চীংনুংগী লাল্লোংদা য়াম্না হৈ–শিংলবা হাউথিশিংনা য়েমেনগী অকোয়বদা লানফম কয়াদা পিক–অপ ট্রক্টশিংদা চৎলি। অদুগা চীংগী জঙ্গলশিংদা সেন্দল তোংদুনা চৎলি। বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ স্টেটসনা এলায়েন্স অসিদা শৌগৎলি অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী মতেংশিং পী।

# পাকিষ্টান তালিবান চীফ হাৎখিবদু শীংথানিংঙাইনি হায়না পাকিষ্টানগী ক্যারটেকর পি এম নাসিরনা হায়খ্রে

***কাবুল, জুন ১৬ ঃ***

পাকিষ্টানগী ক্যারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর নাসির–উল–মুল্কনা হন্দক আফগনিষ্টানগী য়ু এস কী দ্রোন এটেক অমনা পাকিষ্টান তালিবান চীফ মুল্লাহ ফজলুল্লাহবু হাৎখিবা অদু টেরোরিজমগী মথক্তা চথবা লান্থেংদা শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু আফগান প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘনিগা ঙরাং নুংদাং টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি অমসুং ফজলুল্লাহ শিবগী মতাংদা ঈ–পাউ খঙহল্লকখিবগীদমক মহাকপু থাগৎখি হায়না পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকী স্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

টেলিফোন অদু আফগান প্রসিদেন্ট ঘনিনা হান্না তৌরকখিবনি। ফজলুল্লাহ হাৎখিবা অদু আফগান সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংগী চোকথবা লৈতবা ইন্টিলিজেন্সকী ফলদগীনি হায়খি।

য়ু এস না ফজলুল্লাহবু এটেক অদুদা শিখিরম্বা য়ারে হায়না থাজে অদুবু তশেংনমক মহাক শিবা অদু অরেপ্পা খঙনবা হোৎনরি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

আফগনিষ্টানগী প্রসিদেন্টনা পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ জেনরেল কমার জাবেদ বজৱাদসু টেলিফোন তৌখি। মখোয় অনী ৱারী শান্নবদা প্রসিদেন্ট ঘনিনা পাকিষ্টান মনুংদা লৈরিবা আফগান তালিবানশিংবু ৱারী শান্নবগী তেবলদা পুরক্নবা থবক্কী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা পাকিষ্টানদা অপিল তৌখি হায়না মহাক্না হায়খি।

পাকিষ্টান তালিবান চীফ ফজলুল্লাহ অমসুং অতোপ্পা লানহৌবা মঙা হাৎখি হায়রিবা শগোলশেন নুমিৎকী দ্রোন এটেক অদুদা মিসাইল অহুম্না মখোয়না তোংদুনা চৎলিবা কারদা পানখিবনি। থৌদোক অদু আফগনিষ্টানগী তালিবানন্না নুমিৎ হুম্নিগী সিজফাইয়ার অমা হৌগদবগী শুপ্নগী পুং খরগী মমাঙদা থোকখিবনি।

শগোলশেন নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী হৌগদবা সিজফাইয়ার অদু ইদুল ফিটর কৌবা ইস্লামিক হোলিদে অদুগীদমক্নি। ফেষ্টিভেল অসি মুস্লিমশিংগী রামজানগী অশেংবা থা মনুংদা নুমিৎ থোকপদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা মুস্লিমশিংনা চরা হেন্নবা থৌরম অদুগী মতুংদা পাঙথোকপনি।

প্রসিদেন্ট ঘনিনা মহাক্কী নাকলদগী মতম খরগী ওইবা সিজফাইয়ার অমা জুন ৭ তা লাওথোকখ্রবগী তুংদা আফগান তলিবাননসু মখোয়গী সিজফাইয়ার লাওথোরকখিবনি।

আফগনিষ্টানগী নোংপোক থংবা লোগার প্রেভিন্সকী কোনুং পুল–ই–অলাম দা খূৎলাই পায়দবা তালিবান কয়ামরুমনা ইদ হোলিদে পাঙথোকখি। মখোয় কয়ামরুমনা আফগান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকখি হায়না প্রেভিন্সিয়েল পুলিস চীফ ৱাঙাংলোয় অহমদজাইনা ঙসি ফোঙদোকখি।

# ইফেল তৱার এন্টি–টেরর ৱাল শেম্বা লোইশিল্লকপগী তাঙ্কক্তা লৈরে

***পেরিস, জুন ১৬ ঃ***

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী হৌনা জিহাদি এটেক কয়ানা মীওই ২৪০ হেন্না হাৎখিবদগী হৌজিক ফাওবা হায়–এলার্টতা লৈরিবা ফ্রন্সনা শেমগৎ শাগৎপদা অকনবা সেক্যুরিটিগী খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লি।

সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা মালেমগী মমিং চৎলিবা ইফেল তৱারবু টেরোরিষ্ট এটেকশিংদগী ঙাকথোক্নবা এন্টি–টেরর ৱালশিং খাগৎখ্রে। এন্টি–টেরর ৱাল শাগৎপদা চাওরাক্না য়ুরো মিলিয়ন ৩৫ রোম (দোলর মিলিয়ন ৪০.৭) চঙঙি। অমসুং জুলাই থাখাইদা লোয়শিনবা তঙ্গবা য়াই হায়রি।

ইঞ্চি অনী মখাই থাবা গ্লাস ৱালশিংনা তুরেল তোর্ব্বান্দা লৈবা কুৱাই ব্রানলি পরীংবু অমসুং এভিন্যু গুষ্টাভ ইফেলবু খাজিল্লি। মসিনা ইফেল তৱার অদুবু পার্ক অমদগী তোঙান্না খাইদোকই। হায়রিবা ৱালশিং অদু নোংমৈ মরু চঙদবা হায়বদি বুলেট প্রুপনি। লোয়ননা গারীশিংনা থেংগাইদুনা এটেক তৌরকপদা থুগাইবা ঙম্লোইদবা ঙাক্তনি। মসি এবসোলুট সেক্যুরিটিগীদমক রোক–সোলিদনি হায়না ইফেল তৱারবু চল্লাইরিবা কম্পেনি এস ই টি ই গী মকোক বর্নাদ গৌদিলিয়রনা হায়খি।

তৱার অদুগী অতোপ্পা নাকল অনীদি তৱার অদুমক্কী মওংদা য়োৎকী বেরিয়রশিংনা খাজিনগনি। মদু মিটর ৩.২৪ ৱাংই।

শগোলশেন নুমিত্তা মফম অদুবু য়েংবা লাকখিবা টুরিষ্টশিংনা ফোঙদোকপদা লৌখৎলিবা অনৌবা থৌরাংশিং অসিদা মখোয় তৱার অসি অশোয়–অঙাম থোক্লরোই হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

কুমজা ২০১৫ গী নভেম্বরদা ইস্লামিক স্টেটনা তমথিরবা এটেকশিং চত্থদুনা পেরিসকী মফম কয়াদা মীওই ১৩০ হাৎখিবনি। মালেমগী অকোয়বদা থোক্লিবা এটেকশিংগী ভিক্টিমশিংবু নীংশিংবা ওইনা নুমিদাংগী মতমদা হন্না হন্না লাইটশিং মুত্থৎলিবা মোনুমেন্ট অমবু মতৌ করম্না টেরোরিষ্টকী খূৎতগী কন্নগদগে হায়বদু লেপ্পনবা বর্নাদকী টিমনা পুলিসকা পূন্না থবক তৌমিন্নরি।

# কুৱেত্তা সিটিদা পাক লান্মী ৩ হাৎখ্রে

***কুৱেত্তা, জুন ১৬ ঃ***

পাকিষ্টানগী খা নোংচুপ থংবা সিটি কুৱেত্তাদা মোতোরসাইকল তোংদুনা লাকপা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা পেরামিলিটরি সোলজরশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা লান্মী অহুম হাৎখ্রে হায়না সেনিয়ার পাকিষ্টানগী পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসার নাসিব উল্লাহনা ফোঙদোকপদা সিটি অসিগী সারয়াব রোদতা লৈবা মফমদুগী ঙসিগী এটেক অদু চত্থরকখিবনি। হৌজিক ফাওবা কনামত্তনা এটেক অদু চত্থবনি হায়বা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি।

কুৱেত্তা সিটি অসি বালুচিষ্টানগী কোনুংনি অমসুং প্রোভিন্স অসিগী রিসোর্সশিংগী অহেনবা চাকথুং অমা দিমান্দ তৌরিবা বালুচ সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংনা অনেম্বা থাক্কী লানহৌবা অমা মফম অসিদা চত্থরি। ইস্লামিক মিলিটেন্ট গ্রুপশিংসু মফম অসিদা থবক তৌই অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ইতৎ–তত্তনা এটেক তৌরকই।


**GAS TODAY**

**Imphal LPG Service**
Booking : Upto Date
Stk : 306/19kg 90
Delivery at Heinoupok Godown

**Yairipok Gas Service**
Booking : 22/05/18
Valid : 16/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 23/05/18
Valid : 18/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 811.50

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/05/18
Sl. No. 2600
Valid : 10/05/18
Sl. No. 2001
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m


**সনা–সুদোকু –১১৯৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 6 | 5 | 2 | 3 | 1 | 9 | 7 |
| 3 | 1 | 7 | 9 | 4 | 6 | 2 | 5 | 8 |
| 9 | 2 | 5 | 1 | 8 | 7 | 3 | 6 | 4 |
| 5 | 6 | 3 | 4 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 |
| 1 | 9 | 4 | 6 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 8 | 7 | 2 | 3 | 5 | 9 | 6 | 4 | 1 |
| 7 | 3 | 8 | 2 | 6 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 2 | 4 | 1 | 8 | 9 | 5 | 7 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 9 | 7 | 3 | 1 | 4 | 8 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1200**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 7 | | | | | |
| 8 | | | 1 | | 6 | 7 | | 4 |
| | 4 | 9 | | | | | | |
| 1 | | | | | 3 | | | |
| 5 | 2 | | | | | 4 | | |
| 3 | 9 | | | | | 5 | | 8 |
| 4 | | | | | | | 2 | 7 |
| | | | | 8 | 5 | | | |
| | 6 | | | | 9 | | | 3 |